## এডিটোরিয়েল

### ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাকপা

*মণিপুরগী য়ুমথোঙ খুদিংদা ঙাংনরিবা অমদি মহৌশাদগী ইপা ইপুনা চিন্থাং য়ৈনা পীরম্বা পাউতাকশিংগী মনুংদা 'নঙগীদম হিংনবা থম্বীরম্বা অমত্তা ঙাইরবা লনদি নশাগী য়ুম ইথ্নোলনি' হায়বা ৱাফম অসিনি। অদুনা ইশাগী ওইনা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লম অদু ঙাকপা ঙমদ্রগদি খ্বাইদগী চাওনা শোল্লবা ঙসিগী মীরোল হায়বদু ওইগদৌরি। মৈত্রবাক নৎত্রগা কংলৈপাক নৎত্রগা মণিপুর হায়না ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী লমদম অসিগী মমিং অমা হেক্তা থোনবা য়াই অদুবু করম্বা ষ্টেটসিগী মিংদা ইরমদম ওইরিবা ষ্টেট অসিবু ইন্দিয়া অমদি মপান লৈবাকশিংনা রিকগনাইজ তৌখিবগে হায়বসি ঐখোয়না ঙসি য়াম্না কুপ্না খন্থবগী মথৌ তারে। মালেমসিদা ঙসি ইরমদমসিগী মমিং মণিপুর হায়রগা খঙনরে অমসুং মণিপুরদগী মীথোই মীহেনবা মীওই কয়াবু মণিপুরী হায়না খঙবা নত্তনা অতৈ মিঙ্গৌ অমত্তদা খঙনদে। ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল ডান্স অমা ওইনা মণিপুরী জগোইবু শকখঙখিবা মতমদুদগী ষ্টেট অসি মালেমসিগী অতৈ লৈবাকশিংনা শকখঙনবা হৌরকখি। মণিপুরী হায়রিবসিগী মনুং চল্লিবসু য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লাক্লবা তোঙান তোঙানবা ইন্দিজিনস ওইবা মীওই কাংলুপশিংগী অপুনবা মীওইশিং অদুনি। য়েল্হৌমী হায়রগা ঙসি অমুক লৌনরিবসিদা তোঙান তোঙানবা অহোংবা কয়াগী মতুংদা ১৯ শুবা চহী চাগী মতম ফাওবদা পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লাক্লবা মীওই কাংলুপ খুদিংমকপু খঙনবা হৌখ্রে অমসুং মদু মীয়াম্নসু য়ানরবা ৱাফম্নি। ষ্টেট অসিবু মায়কৈ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনবা অমদি ঐখোয়গী মহৌশাদগী লৈরক্লবা আর্ট অমসুং কলচর অসি ঙাক্লা থম্নবা হোৎনবদা লমদমসিগী মীওই কাংলুপশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা অচৌবা থৌদাং য়ামিন্নরি। মদু ওইরবনিনা ষ্টেট অসিগী মপু হায়বসি ষ্টেটসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লাক্লবা মীওই কাংলুপশিং অদুনি। মপান লমদগী লাকপা ঈথিল কয়ানা লমদমসিগী মীওই কাংলুপশিংগী নুংগী ওইবা মরীদা লৈথেল কয়া পীনবা হোৎনদুনা নুংশিনহন্দনবা থৌশিল কয়া শীল্লকপগী তাঙ্কক কয়াদা কাংলুপকী ইরাং কয়া থোকখ্রে। মদু পূম্নমক মশীং য়াম্বা মীওই ফুরুপ অমা ষ্টেটসিগী ওইনা লৈরিবা কাংলুপ অমনা চাওয়েং য়েংদুনা মহৌশাদগী পুন্না খুন্দামিন্নরক্লবা মীওই কাংলুপ পুন্না লমদমসিগী মীয়াম্নি, পুন্না হিংমিন্নগদবনি হায়বা পাউজেল পীদুনা অমত্তা ওইনা ইরমদমসি ঙাক শেন্নবা হোৎনদুনা লাকই। মসিদা পুন্না হিংমিন্নরক্লিবা লমদমসিগী মীওই খরনা কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লবা হোৎনরকপদা সিমিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা চপ চানা থিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম অদু ঙসি লাক্লে।*

*ইংরাজিগী ৱাহৈদা ''য়ুনাইটেদ ৱি ষ্টেন্দ, দিভাইদেদ ৱি ফোল'' হায়বদুগী ৱাহন্থোক্তি মীওই কাংলুপ খুদিংমক্লা খঙলমগনি। ''তরাগী চৈশুনা লেংথোই ফায়'' হায়বা ইপা ইপুগী পাউতাক্তসু চপ মান্নবা ৱাহন্থোক লৈরিবনি। লুরিবদি মণিপুর ষ্টেটকী ইন্টিগ্রিটি অমসুং বাউন্দরি (ঙমখৈ) গী ইসু অসিদা ঐখোয় পুন্না কাঙলুপ অমত্তা ওইনা লেপ্পা হায়বসিনি। লমদমসিদা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা লাক্লিবা মীওই ফুরুপ খুদিংমক্লা ঙসিগী মিৎকুপ অসিদদি ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্লবা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা অপুনবগী পাঙ্গলদু উৎহৌবা তায়। ইরমদমগী ঙমখৈদা শীংনরকপশিংনা মখোয়গী লাল্লোং অদুদগী ষ্টেটসিবু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়রকপা তারগদি মতমদুদা য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী হিংনবগী চিঞ্জাক পীরিবা লৈফম পীরিবা লমদম অসি ঐখোয়গী খুত্তগী মুনখ্রগদবনি হায়বসিবু অমুক তাক্লিংঙাই ওইরিব্রা, খন্নিংঙাই ওইরিব্রা হায়বসি ঙসিগী মীরেপনা ইশা ইশাদা হংফম থোকই। কাউরোইদবদি ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাকপা হায়বসি য়েল্হৌমী কাঙলুপ খুদিংমক্কী থৌদাংনি অমদি মসিবু ঙাকপা ঙমদ্রবদি ইপা ইপুগী ইকায় খুম্নবদু ঙাকপা ঙমদবা খ্বাইদগী শোনবা মীওই হায়বদু ঙসিগী মীরোলসিনা ওইহৌরগনি হায়বসি ঐখোয় পুন্না লেপ্তুনা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লমগী লমখৈ ঙাকমিন্নসি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### এয়ারপোর্ট লম্বীগী ডিভাইদর শেমদোকহন্নিংই

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

এয়ার পোর্ট লম্বী পাক্লা সন্না শেম্বীবা, মৈ নিংথিনা থানবা অসিনা ভি আই পি রোড হায়না খঙনবা অদুমক তশেংনমক মাল্লে। মসিগীদমক ও ইবোবীনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অসি থাগৎফম থোকই। অদুবু লম্বী অসিগী ময়াইদা শেমলিবা ডিভাইদর খুৎশেম অসিদি নৌহৌনা ৱাখল অমুক্তং খন্থহন্নিংই। নৎত্রবদি হাংলবা চাওরবা লম্বী অসিদসু ট্রাফিক জাম তৌবা এক্সিদেন্ট থোকপগী থৌদোক থেংনরক্কদৌবা মাল্লে। খুদম ওইনা পল্লবদা ক্লাকৈথেল বজারদা লৈরিবা ত্রফিক কন্ট্রোল অসিদা ইউ ট্র য়াম্না তৌহনবা অসিনা মফম অসিদা মতম শাংনা ত্রাফিক জাম তৌনবগী মরম ওইহল্লে। হৌজিক লম্বীগী কৈশাম পাৎতগী ক্লাকৈথেল ফাওবদা শেমলিবা ডিভাইদর অসিদা ইউ ট্র তৌবগী খুদোংচাবা ফংলিবা অসি তোপ লৈরক মপা অমদি ক্লাকৈথেল খক্তনি। মরম অসিনা নাকল য়েৎলেম মায়রোমদগী থোরকপা গাড়ীশিং অসি মফম অনী খক অসি খক্তদা সাইট ওন্থোক ওনশিন তৌবনা মফম অনী অসিদা য়াম্না চীলহন্নবগী মচাক ওইহল্লে। মসিগীসু মথক্তা লৈরকশিংদগী থোরকপশিং অদুনা মরক্তা লৈথোক লৈশিন তৌফম লৈতদুনা সাইট লান্না থৌগৎপগী চৎনবী অমা লৈরকপা অসিনা এক্সিদেন্ট থোক্লবগী মচাক অমা ওইহল্লে। পূম্নমক অসি অমুক্তং মুন্না খন্থরগা লম্বী অসিদা লৈরিবা ডিভাইদর অসিদা মরক্তা মতাং চানা লৈথোক লৈশিন তৌনবা অহাংবা মফম থমহন্নিংই।

**অদোমগী,**
**চবুংবম চাতোম্বী সিংহ**
**সেগা লম্বী**

# ইন্দিয়াদা লায়রবশিংদা শক্তি পীবা

মতম খুদিংমক্তা লায়রবা হায়বসি তশেংনা করিনো হায়বা মীওইশিংনা খঙনদে। মসি মীওইবগী পূন্সি মহিংদা শোন্থহনবা মচাক ওইনা চৎনবী খুদিংমক্তা লৌনরি। গ্রীক অমদি ইন্দিয়াগী চৎন–লোনচৎতা লায়রবা হায়বসি মীওইবদা কান্নবা অমত্তা পীদবনি হায়না লৌই। লায়রবা হায়রগা চাবা ফংদবা, লৈফম নৎত্রগা শাইদাংফম লৈতবা, অনা–অয়েক্লা থনবা অমদি দাক্তরগী খুদোংচাবা লৈতবা, লাইরিক ইবা–পাবা থোক্তবা অমদি শেন্থোক লন্থী লৈতববু খঙনৈ। মসিগী মতাংদা খঞ্জিল্লুবদা অকিবা পোক্লিংঙাই ওইবা অমদি করি ওইগনি হায়বগী খন্থবা মতম ওইরে। নাকল অমরোমদা, লায়রবগী খুদম অমা শিখিবনা ওইবসু য়াই। লায়রবা হায়বসি শক্তি লৈজদবা, শরুক য়াবা ঙমজদবা অমদি মনিং–মখা তম্না লৈবা ফংজদবসু খঙনৈ।

মপুম ওইনা য়েংবদা লায়রবা হায়বসি মীওইবনা হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা তঙাই ফদবশিং ফংবা ঙমদবা ফিভম অদুবু খঙনৈ। মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী লায়রবা মীওইশিংগী চাদা ৩৩ গী চাংদি ইন্দিয়াদা লৈরি হায়বা রিপোর্ট লৈরি।

মীওইবগী হকশিং লায়রবা মীওইশিংদা ফংহনবা হায়বসি মখোয়দা শক্তি পীবদুনি। লায়রবগী খোল্লাউ খুদিংমক্লা লায়রবনা শক্তি লৈজদবগীনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম্নি। লায়রবা কোকহন্নবা খ্বাইদগী ফবা পান্থেদি লায়রবা মীওইশিংদা শক্তি পীবা অমদি মখোয়গী পুন্সিদা মখোয়না অপান্থা, অনিংবা অমদি পাঙথোক্লিংবা হেন্না পাঙথোকহনবনি।

মীওইবগী হকশিংনা লনাই মীওইশিং অমদি কাঙলুপশিংদা কান্নবা কয়ামুক ফংহন্দুনা শক্তি পীরি, মদুনা মখোয়না অতৈদো অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী মতাংদা হেন্না মীকুপ–নাহুম শিংহল্লিবনি। মসিগুম্বা মরমশিংদু খঙলবা লায়রবা মীওইশিংনা মখোয়গী হকশিং মদুগী ৱাখল্লোন শন্দোকপা অমদি থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা খুন্নাইগী মনুংদা অতৈগা মান্নবা পুরকপা ঙমগনি।

মহৈ–মশিং তম্বা হায়বসিনা ইন্দিয়াগী খুন্নাইগী মওং অসি শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক ওইরি। মহৈ–মশিং, লাইরিক হৈবগী চাং ৱাংলবদি অহেনবা শেনমিৎলোনগী থাক অফবা, খুন্নাইগী ফিভম অমসুং অহৈ অহেনবশিংনা লৈবাক অমা চাউখৎপগী খুদম চাংদম ওইরি। হেন্না কুপশিল্লবদা নুপীমচা অমদি নুপীশিংনা লাইরিক হৈরকপনা য়াইফ–য়ুম্বাল থৌরাং, মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহনবা, হকশেল অমদি শেন্থোক হেন্না ফগৎহল্লি অমসুং মসিনা ইন্দিয়াদা লায়রবা মশীং হন্থহন্নবা খুন্নাই অমদি শেনমিলোন চাউখৎহনবদা খ্বাইদগী ফবা পান্থেশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি। লায়রবা মশীং হন্থহনবা নৎত্রগা কোকহনবা হায়বসি পাক শন্না খন্নবদা শেনমিৎলোন ফগৎহল্লবতদা মায় পাক্কনি হায়না থাজনৈ। ঐখোয়গী লৈঙাক–পথাপ (কন্সটিটুসন) শেল্লম্বা ইপা–ইপুশিংনা আটিকল ১৪,১৫ অমসি ১৬ তা ময়েক শেংনা ইরম্বনা অশোনবা অমদি শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিংদি তম্বা ঙমদবা মওংদা লৈবা, লন–থুম নৎত্রগা শক্তি লৈতবা, মহৈ–মশিংগী মঙাল ফংদনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা কাংলোন আইনগী মীৎয়েংদা চপ মান্ননা য়েংগদবনি, আইনগী চপ মান্নবা চৈঙাক পীদুনা থবক তৌবদা খুদোংচাবা লৈহন্নবা কাংলূপ লাইনিং, নুপা–নুপী নৎত্রগা পোকফম য়েংলগা অথিংবা অয়েৎপা নৎত্রগা নমথবীবা লৈহন্দনবা থন্নবা হোৎনবা অসিনি।

লৈঙাক–পথাপ (কন্সটিট্যুসন) মনুংদা লায়রবশিংগীদমক পল্লিবসি প্রিওম্বল অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটর্স এন্দ দাইরেক্টিব প্রিন্সিপলস ওফ ষ্টেট পোলিসিনি। প্রিএম্বলদা লৈঙাক–পথাপকী ওইনা খুন্নাই শেনমিৎলোনগী পান্দমদি মীপুম খুদিংদা অচুম্বা ৱায়েল, শেনমিৎলোন অমদি লৈঙাক্লোন ফংহনবদা নত্তনা মশাগী ইকায় খুম্নবা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি। খুন্নাইগী ওইবা ৱায়েলগী নুংগী ওইবা পান্দমদি–ৱাহন্থোক্তি ফন্দামেন্টেল রাইটসশিংদা মমি তারি, মদুনা চপ মান্ননা, হিংনবগী হক অমসুং লন্নাইগী ওইবা নিংতম্বা, মীগা মীগা মান্নবা থম্বা, লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা লৈবা হকশিং ফংনবা পল্লি। অমরোমদা, ''শেনমিৎলোনগী অচুম্বা ৱায়েল'' হায়বসি চৎন কাংলোন (লো) গী খুত্থাংদা খেন্নবশিং লৈহন্দনবগী পান্দমদা ষ্টেট পোলিসিগী দাইরেক্টিব প্রিন্সিপলসতা য়াওরি। মদুনা ষ্টেটকী মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনগদবা অমদি মখোয়না হিংজনবগী খুদোংচাবা খুদিংমক ফংহনবা, নুপীনা নুপাগা থবক শুবদা চপ মান্নবা খুৎশুমল ফংহনবা, থবক শুবা য়াবগী, মহৈ মশিং তম্নবগী হক অমসুং তঙায়ফদবা মতাংদা মতেং পাংনবগী, অচুম্বা অমদি মীওইবগী চৎনবা য়াবা ফিভমদা থবক ওন্নবা, শীন্মিশিংগী খুৎশুমল, অঙাংশিংদা লেম্না অমদি শোয়দনা মহৈ–মশিং তমহনবা, সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং ট্রাইব অমদি শোম্থেরবা কাংলুপশিংগী মহৈ–মশিং শেনমিৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবা, শিন্মীশিংগী হকশেল অমদি পাঙ্গলবু লান্না শীজিন্নদনবা অমসি চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী মতাংদা পল্লি। হায়রিবশিং অসিনা ষ্টেটপু চপ মান্নবা পান্দম ফংহনবা, লম–থুমশিং অমদি পোত্থোক লৈবা মফমশিং মওং চুম্না য়েন্থোকহনবগী কাংলোন থল্লি। লেম্না ফংহনবা আইনগী তেংবাঙগী খুত্থাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হায়বসি শেল পায়জদবা নৎত্রগা অহৈ খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদসু মরু ওইনা মতেং পীবনি। হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি খুন্নাই অমদি শেনমিলোনগী মতাংদা লৈবা খেন্নবগী থমদনবগী তশেংনা ওইথোকহন্নবা শেম্বনি।

খুন্নাই অমদি শেনমিৎলোনগী ওইবা হকশিং লৈঙাক পথাপ (কন্সটিট্যুসন) দা হাপ্তুনা লায়রবা, শোত্থনা অমদি মীমান্নদনা হিংলিবা লায়রবা অমদি শোত্থনা লৈবা কাংলুপশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদা শীজিন্নবা ঙমহল্লি। খুদম ওইনা হরিয়ানা ষ্টেটকা দর্শানা দেবী গা শোক্লখিবা কেসতা ৱায়েলশঙনা অকনবা মওংদা ষ্টেটকী মথক্তা পীখিবা ৱায়েৎতি ষ্টেটকী ট্রান্সপোর্ট বস অমনা থোমদুনা শিখ্রবা ইমুং অমগী হিংনবা অমত্তা ঙায়রবা শেন্থোক –চরা তাল্লিবা মীওই অমগী মতাংদা লুখ্রাবী অমদি মাগী মচানুপীনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎপু মরম চাই হায়নসু লৌদনা অৱাবা নংহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা কোর্টকী ফী থিয়ু হায়রবদি খুন্নাইগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগী মহুৎতা, লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী খঙদ্রিবা হিরম অমদা ফোর্মেল ওইনা ৱারেপ লাউথোকপগী মওং লৈহন্দ্রিফাওবা মতেং পীদনা তাথিবা মওংদা ৱায়েলশঙদা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎনি হায়না লৌগনি হায়বা তাগনি হায়বসিনি।

শেনমিৎলোনগী মপাঙ্গল কনহলবা হায়বসি লায়রবশিংগী ফংফম থোকপা হকনি অমদি ষ্টেটনা আর্টিকল ২৫(৩),৪৬ অমদি ৩৯ গী মখাদা মখোয়দা মদুগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি। আর্টিকল ২১ গী ওইনা ৱায়েলশঙনা লেপ্পা অনৌবা ৱাহন্থোক্তি শেন্দোল শিংবা ঙমদ্রবা, লায়রবা লৈবাকসিদা লৈরিবা লায়রবা মীওইশিংবু কৈশুমশঙদা থম্বা থিংবা হায়বসি অরানবা থৌওং নত্তে হায়বসিনি। লৈঙাক–পথাপ (কন্সটিট্যুসন) না অয়াবা পীরবা কাংলোনশিং খুদম ওইনা সেদ্যুল কাষ্টশিংনা মখোয়দগী লম লৌনবগী মতাংদা শেমখিবা আইন চৎনরোই হায়না লাউথোক্লবা অমদি ফিভম খরদা মশাগী লমশিং ফংহন্নবা, ''রেষ্টোরেসন ওফ লেন্দস তু সেদ্যুল ট্রাইবস, এক্ট ১৯৭৪'' হায়বসি ৱায়েলশঙনা লেপ্পদা সেদ্যুল কাষ্ট হায়বসিদি তোপ তোপ্পা অখন্নবা কেস ওইনা লৌফম থোকই হায়বসিনি।

শোত্থবা কাঙলূপ মরুওইনা, সেদ্যুল কাষ্ট অমদি ট্রাইবশিংগী মহৈ মশিং তম্বা অমদি শেনমিৎলোনগী ওইনা কান্নবশিংবু, খুন্নাইগী ওইবা চুমদবা ৱায়েল অমদি নমথবীবদগী ঙাকপী শেনবীগদবনি। মশানা আইন হায়বসি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা লন্থী উৎলিবা খুদম অমনি।

সাধুরাম বন্সলগা পুলিস বিহারী সরকার গা থেংনখিবা ৱায়েৎ অমদসু ৱায়েলশঙনা থমখিবদি খুন্নাইগী অচুম্বা ৱায়েল হায়বসিদি কাংলুপ অনীনা য়ানবা অমা পুরকপা মতমদা অমনা অমদা শাথিবা অমাঙ–অতা থোকহন্দ্রবদি ৱায়েলশঙনা খুন্নাইদা শোত্থবা লৈরিবা কাংলূপশিংবু লুম্না লৌদুনা ৱারেপ লৌফম থোকই হায়বসিনি।

অমুকসু গোবিন্দ রামগা এম সি দি গা শোক্লখিবা কেসতা সুপ্রিম কোর্টনা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিদা খঙহনখিবদি কোর্পোরেসন্না লম খোপচিন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিংবু খন্দা লৈতাহন্নবা শেমখিবা থৌশিল নিংথিনা চৎহনল্লু অমদি নৌনা লম খোপচিনবশিং লৈবা মফম খঙদোকউ হায়বসিনি। মদুনা হায়রিবা মীওইশিং অদুবু খুন্দা লৈতানা লৈহনবা ঙমগনি, মখোয়গী লৈফম পীদনা হেক্তা তান্থোকফম থোক্তে হায়খি।

লৈঙাক–পথাপকী আর্টিকল ৩৯–এগী মখাদা লেম্না আইনগী মতেং ফংহনবগীদমক, হুসননরা খাতুনগা ষ্টেট ওফ বিহার গা শোক্লখিবা কেসতা ৱায়েলশঙনা লেপখিবদি লায়রবা অমদি তঙায়ফন্দবা লৈরবা মীওইশিংদা লেম্না আইনগী মতেং ফংহনবা হায়বসি মরম চাই, অচুম্বা কাংলোন অমগী তঙায়ফন্দনা চংবা মচাক্লি হায়বসিনি। লৈঙাক–পথাপকী আর্টিকল ৩৯–.., ১৯৭৬ কী মখাদা মান্নবা ৱায়েল শোয়দনা ফংহন্নবা অমসুং মখাতানা আইনগী মীৎয়েংদা চপ মান্ননা লৈহন্নবা শেমখ্রবসু মহাক্কী আইনগী পাউতাক পীরিবা মীওই অদুদা শেলগী মমল পীবা ঙমদ্রবা লায়রবা মীওই অদুগী মফমদা ৱাহন্থোক লৈতে। পার্লিয়ামেন্টনা আর্টিকল ৩৯–এ. কী মখাদা লিগেল সর্বিসেস ওঠোরিটিজ এক্ট, ১৯৮৭ শেমদুনা কুম ১৯৯৫ গী নবেম্বর থাদগী চৎনবা হৌখি। লৈবাকসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা লায়রবা অমদি তঙায় ফন্দবা লৈরিবা মীওইশিংদা লেম্না আইনগী মতেং ফংহনবা লিগেল সর্বিসেস ওঠোরিটিশিং শেমখ্রে হায়বসি খঙনরবনি।

ৱায়েলশঙনা লোকস ষ্টেন্দিগী ৱাখল্লোন হেন্না চাউথোকহনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) গী মওং হৌদোক্তুনা মীয়ামগী খনবা মীওই অমদি লূপশিংনা লায়রবা অমদি শোয়নাইবা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎপা ঙমদ্রবশিংগী মহুৎ শিন্দুনা আইনগী থোঙদা ৱাকৎ থাঙ্গৎপা য়াহল্লি। পি আই এল গী কান্নবসি ৱায়েল চত্থরিবা মীফাশিং, মরাল লৈরে হায়না ৱায়েলশঙনা লেপখ্রবা মীওইশিং, নুপী অমসুং অঙাংশিং, নমদুনা অমদি লম হোংদুনা থবক শুবা শিন্মিশিং, অন–ওর্গনাইজ ওইবা মওংদা থবক শুবশিং লম লৈজদবা লৌমীশিংগী ৱাকৎ থাঙ্গৎপদা মায় পাক্লা শীজিন্নখ্রে।

চিফ জষ্টিজ ওফ ইন্দিয়ানা হৌদোক্তুনা মতম শাংনা কৈশুমশঙদা ফাজিন্দুনা থম্বা ৱায়েল চত্থরিবা লায়রবা অমদি শোত্থনা লৈবা কৈশুমশঙশিংদা চত্থদুনা অথুবা মতমদা লোয়শিনখ্রে। থৌওং অসিনা ৱাথোকশিং অমদি অতৈ য়েৎনবশিং ৱায়েন্নবা লোক অদালতস (মীয়ামগী ৱায়েলশঙশিং) পাঙথোকপদা খুদোংচাংহন্দুনা অয়াবা পীরি। লোক অদালনা চৎনবী অমা শেম্বগী শক্তি লৈ অমদি মদুগী মায়োক্তা ৱাকৎপা লৌরোই।

লায়রবগী ৱাফম খুদিংমক লৈঙাক চুপ্পি পায়বশিং অমদি ষ্টেট ইগজিক্যুটিবশিংদতা থাদোকপা য়ারোই। মসি পাক চাউথোক্লা মীওইবগী ফংফম থোকপা হকশিং, খুন্নাইগী ওইবা শক্তি, ঈহৌ অমদি লূপশিংগা মরী লৈনফম থোকই। খুন্নাইগী ওইবা খঙমীন্নবা, লৈবাকসিদা লৈঙাক থৌদা চত্থরিবশিংনা অনিংবা অমা য়াউদ্রিবমখৈ। লায়রবা কোকহনবা হায়বসিদা থোয়না অহোংবা ফিভম লৈরোই। লায়রবা কোকহনবা হায়বসি গভর্নমেন্টকী মথৌ খক ওইরোই, খুন্নাইদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্লা মতেং পীনদুনা হোৎনমীন্নবা চংঙি। থৌশিল কয়ামুক শেমদুনা, অমনা অমগী মতেং লৌনরগা অয়েৎপা য়াউদনা চৎহনবা অমদি হেন্না ফবা মওংদা থবক তৌন্নবা মরী অমসুং তেংবাঙনবগী চৎনবী অমা শেমগৎতুনা মায়কৈ কয়দগী হোৎনবগী তঙায় ফদবা লৈ।

মীওইবগী হকশিংগী মরু ওইবা হায়বদি শেমগৎ শাগৎনবগী হক অমদি হকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মওংশিং খঙবসি লায়রবা কোকহন্নবা চংশিনবা খোঙজং মায় পাক্লবগী হেন্না ফবা ইহান হান্না পায়খৎকদবা থৌরাংনি। লেপ্তুনা অথুবা খোঙজেলদা চাউখৎলিবা মালেমদা খ্বাইদগী মথোং হুক্তবশিংগী মনুংদা লায়রবা পাক শন্না মফম কয়াদা লৈবা অমদি কাংলূপশিংসিগী মশীং হেন্না হেন্না য়ামখৎলকপসিনি।

শেনমিৎলোন ফগৎনবগীদমক্তা লায়রবা কোকহনগদবা নত্তে, মসিনা মীওই কয়াদা শক্তি পীদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনগদবনি।

**(মান্নবা ৱায়েলদগী)**

# দি এসেন্সিয়েল কোম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৫৫

## (১৯৫৫ গী এক্ট নং ১০)

**মোইরাংথেম রাজেন্দ্র**

*মমাং য়ুমশকৈশগী মখা...*

৬–এ। তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ মৎপা ঃ–

(১) তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমা সেক্সন ৩ গী মখাদা মদুগী মরীদা থোকপা য়াথং অমগী মতুংইন্না ফারবা, মরম চাদনা থীন্থবা তৌদনা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোত্তু ফারিবা দিষ্ট্রিক্ট নৎত্রগা প্রসিদেন্সী টাউনা অদুগী কল্লেক্তরদুদা পাউদু পীগনি অদুগা কল্লেক্টর রঅদুনা অদুগুম্বা য়াথং অদুগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক কোর্টকী থবক চত্থনবা তৌরবসু তৌদ্রবসু তৌফম থোকই হায়না নীংলবদি কল্লেক্টরদুনা তঙায়ফদনা চঙবা ললোনপোৎতু মানা য়েংশিন্নবা মাগী মমাঙদা পুথোক্লবা পাউতাক পীবা য়াই অদুগা মহাক্লা য়াথং অদুগী মায়োক্তা তৌবা লৈরে হায়না চপ চানা লৌরবদি––

(এ) অদুম্না ফারবা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোত্তু,

(বি) অদুগুম্বা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎশিংদু য়াউরম্বা ময়োম, খুমশিল্লম্লিবা মখুম নৎত্রগা পাত্রদু, অমদি

(সি) অদুগুম্বা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎশিংদু পুবদা শীজিন্নরম্বা করিগুম্বা শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা মী অমদি পোৎচৈ পুবদা শীজিন্নবা গাড়ীগুম্বশিং অদু –– মৎপগী য়াথং অমা পীবা য়াই।

অদুম্নদি ওইরবদা এক্ট অসিগী অতোপ্পা ৱারোলশিংগী মখাদা লৌখৎপা করিগুম্বা থবক অমত্তদা অয়েৎপা য়ৈখায়বা পীরুবা তৌদবা (চানথক্লবা মরুমরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউ শুম্নবা মরু–মরাংশিং) পুথোকপা অমদগী সেক্সন ৩ গী মরীদা থোকপা য়াথং য়াবা থাউ শুম্নবা ফারবা–চানথক্লবা মরুমরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউশুম্নবা মরুমরাংশিং অদু মহাক্লা পুথোক্লক্লগদি সেক্সন অসিগী মখাদা করিগুম্বা চান–চক্লবা মরু মরাংশিং নৎত্রগা চাবা য়াবা থাউ শুম্নবা মরুমরাংশিং অমত্তা মৎলোইদবনি।

মখা শাংথবা ওইনা করিগুম্বদা করিগুম্বা শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা পোৎচৈ নৎত্রগা অচৎপা মী পুনবা গাড়ীগুম্বদু অৱাইবা ওইরল্লবদি মৎপগী মহুত্তা অদুগুম্বা শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা পোৎচৈ নৎত্রগা অচৎপা মী পুরিবা গাড়ীগুম্বগী মপু অদুদা অদুগুম্বা শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা পোৎচৈ নৎত্রগা মী পুনবা অতোপ্পা গাড়ীগুম্বদুনা পুরম্মী হায়রিবা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎশিং অদু ফাবা মতমদা কৈথেলদা পীনবা মমল অদুদগী হেন্না ৱাকোংশেল ওইনা পীহনবসু য়াই।

(২) সব–সেক্সন (১) গী মখাদা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমা ফাবগী পাউ অমা ফংবদা নৎত্রগা য়েংশিনখোৎচিনবদা কল্লেক্তর অদুনা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎশিংদু থুনা অমদি মহৌশাগী ওইনা পত্থগনবা ওইরবা নৎত্রগা মীয়ামগী কান্নবগীদমক অসুম্না তৌফম থোকই হায়না খল্লবদি মহাক্লা ––

(i) করিগুম্বদা অদুগম্বা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎশিংদুগী ওইবা এক্ট অসিগী নৎত্রগা চৎনরিবা অতোপ্পা আইন অমগী মখাদা লেপখ্রবা লাকশিল্লবা মমল অমা লৈরবদি মমলদুদা মদু য়োন্থোক্লবা য়াথং পীবা য়াই, নৎত্রগা

(ii) অদুগুম্বা লেপ্পবা মমল লৈত্রগনা, মীয়ামদা নিলাম তৌদুনা মদু য়োন্থোক্লবা য়াথং পীবা য়াই।

অদুম্মদি ওইরবদা চান–থক্লবা মরুমরাংশিংগী মতাংদদি, মদু ফজবা মান্নবা মওংদা য়েন্থোক্লবা অমদি অচাবা মমলদা ফংহন্নবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনবু ওইরবসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনবু ওইরবসু মীয়ামদা অদুগুম্বা চানথক্লবা মহৈমরোংশিংদু চোইনা য়োন্নবা লেপ্পা মমলদুদা অচাবা মমলদা পোৎচৈ য়োনবা দুকানশিংগী খুত্থাঙদা য়োন্থোক্লবা য়াথং পীগনি।

(৩) মথক্তা হায়খিবগুম্না তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমা য়োন্থোকখ্রবদা ––

(এ) কল্লেক্তরনা মৎননবগী য়াথং অমত্তা অরোইবা ওইনা থোকখিদ্রবদি,

(বি) সেক্সন ৬ সি গী সব– সেক্সন (১) গী মখাদা কেস অমবু অমুক হন্না খন্নবিয়ু হায়দুনা ৱাকৎপদা তাবা ৱারেপ্পা মসিগী তঙাইফদবা লৈহল্লবদি, নৎত্রগা

(সি) অসিগী মখাদা মৎপগী থোকখিবা য়াথং অমগী মায়োক্তা তৌবগীদমক কোর্টকী থবক পায়খৎপদা মরী লৈনবা মীশক্তু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোক্লক্লবদি ––

অদুগুম্বা য়োনবা অদুদা চঙবা চাদিং নৎত্রগা নিলাম তৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মদুগা মরী লৈনবা চাদিঙশিংদু, মদু য়োনবদগী ফংবা শেলদুগী খাইদোকখ্রগা মদু পোৎ অদুগী মপু নৎত্রগা পোক্তুগী ফংফম ওইরিবা মীদুদা পীথোক্কনি।

৬–বি। তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ মৎপগী মমাঙদা মরম উৎলু য়দুনা নোটিশ থাব ঃ–

(১) সেক্সন ৬– এ গী মখাদা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমত্তা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ খাউ , খুমজিন্নবা পোৎ, হাপ্নবা পাত্র, শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা গানড়ীগুম্না শীজিন্নবা পোত্তুগী মপু নৎত্রগা মঙোন্দগী পোত্তু ফাখিবা মীদুদা ––

(এ) তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ, পোৎয়োম, খুমজিন্নবা পোৎ, পাত্র, শাগাড়ী, জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎচৈ মীনচিংবা পুনবা গাড়ীগুম্বা অদু মৎন্নবগী মরমশিং ইদুনা নোটিশ পীদুনা পাউ পীদবা,

(বি) নোটিশ অদুদা পল্লিবা মৎন্নবগী মরমশিং অদুগী মায়োক্তা নাতৈ চাবা মতম অমা পীদুনা অইবা ৱারোল অমা পীরক্লবগী খুদোং চাবা পীদনা,

(সি) ৱাফম অদুগী মতাংদা মাগী ৱারোল তাবিবগী খুদোংচাবা পীদনা তঙাইফদনা চঙবা ললোনপোৎ অমত্তা মৎলোইদবনি।

(২) করিগুম্বদা শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা গাড়ীগুম্বদুগী মপুদুনা মদু তঙাইফদনা চঙবা পোৎচৈশিংদু পুবদা মপু–মশামক্কী, লৈরগনা মাগী মহুৎকী শা, গাড়ী, জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা গাড়ীগুম্বদু পানরিবা মীদগী অখঙবা নৎত্রগা খঙদবা শাবনচিংবা করিসু লৈতে অমদি মখোয় খুদিংমক্লা মদু শীজিন্নবগী মায়োক্তা মরমচাবা অমদি তঙাইফদনা চঙবা চেকশিনবা পূম্নমক তৌখি হায়বগী প্রমান কল্লেক্তরদুনা পেন্নবা মওঙদা তৌবা ঙম্লবদি সেক্সন ৬–এ গী মখাদা শা, গাড়ী জহাজ নৎত্রগা অতোপ্পা গাড়ীগুম্বদু মৎপগী য়াথং অমত্তা থোক্লোইদবনি।

**মখা মথং য়ুমশকৈশদা...**